**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 10-09-2025)**

**মীখলঃ** সি.পি. রাধাকৃষ্ণননা লৈবাক অসিগী ১৫ শুবা উপ রাস্ত্রপতি ওইরগনি।

ঙরাং পাঙথোকখিবা উপ রাস্ত্রপতিগী মীখলদা এন.দি.এগী মীরেপ শ্রী রাধাকৃষ্ণননা ইন্দিয়া ব্লোক্কী মীরেপ, হান্নগী সুপ্রিম কোর্টকী জজ- বি. সুদরসন রেদ্দিবু ভোট মশিং ১৫২ দা মায়থিবা পীরম্বনি। মীখল অসিগী রিটর্নিং ওফিসার ওইরিবা রাজ্য সভাগী সেক্রেটরি জেনরেল-পি.সি. মোদিনা হায়-অপুনবা ভোটর ৭৮১ গী মনুংদা ৭৬৭ সদস্যনা ভোট থাদখি। মদুগী মনুংদা ভোট ৭৫২ য়াখি অদুগা ১৫ না য়াখিদে। তামিল নাদুগী তিরুপপুরদগী হৌরকখিবা চন্দ্রপুরম পোনুশামী রাধাকৃষ্ণন আর.এস.এস. অমসুং জন সঙ্ঘগুম্বা সংস্থানশিংদা শরুক য়ারকখিবা লুচিংবা অমনি। মহাক কোম্বাইতুরদগী লোক সভাদা অনিরক কারকখি। শ্রী রাধাকৃষ্ণন ঝরখন্দ, তেলঙ্গানা, পুদুচেরি অমসুং মহারাস্ত্রাগী রাজ্যপাল ওইনা থৌ পুরম্মী। মীখল মায় পাক্লবা মতুং পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা সি.পি. রাধাকৃষ্ণননা হায়-মীখলদা মায় পাকপা হায়বসি ভারত পুম্বগী মায় পাকপনি। লৈবাক অসিবু ইং ২০৪৭ তা ভিক্সিত ভারত ওইনবা হোৎনবদা পুন্না থবক তৌমীন্নবা তঙাইফদে।

সি.পি. রাধাকৃষ্ণননা উপ রাস্ত্রপতিগী মীখলদা মায় পাক্লপদা রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমু, প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহ অমসুং অতৈ লুচিংবা কয়ানা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী মোদিনা হায়-সি.পি. রাধাকৃষ্ণননা উপ রাস্ত্রপতিগী থৌ পুরবা মতুং লৈবাক অসিগী সংবিধান হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনবা অমদি সংসদকী থবক থৌরমদা নীংথিনা মথৌ পাঙথোকহনবা ঙম্লগনি।

**পুলিস(এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্নবগী থবক চথুবদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুং চন্না লৈবা হাউরৈবী অৱাং লৈকাইদগী মীওই অমা ফারে। মহাক মীয়াম অমসুং করবার তৌবা মীওইশিংদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীশকনি।

পুলিসকী পাউনা হায়-ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চন্না লৈবা হৈঙাং ময়াই লৈকাইদগী ঙরাং মীওই অমা গঞ্জা কিলোগ্রাম ৭ রোমগা কোন্ননা ফারে।

মনিপুর পুলিসনা গাড়ি নিয়ম লান্না থৌবশিং ফাগৎপগী থবকসু লেপ্তুনা চথুরি। ঙরাং গাড়ি ৩৭ চলান ককপগা লোয়ননা পুন্না লুপা লিশিং ৭০,৫০০ খোমগৎখি।

**ডে(এল)ঃ** মালেমগী অতৈ মফমশিংদসু পাঙথোকবগুম মনিপুরদসু ঙসি ৱার্ল্ড সুইসাইদ প্রিভেন্সন নুমিৎ পালন থৌরম পাঙথোক্কনি।

দি.এম. য়ুনিভরসিতিগী কলেজ ওফ কর্ম্মসতা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসি নেসনেল মেন্টেল হেলথ প্রোগ্রাম, নেসনেল হেলথ মীসন মনিপুর অমসুং দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সাভির্সেসনা পুন্না শিনবনি।

‘চেঞ্জিং দা নেরেটিব ওন সুইসাইদ’ হায়বা হীরমদা ঙসি অয়ুক পাঙথোক্কদবা থৌরম অসিদা হেলথ সাভির্সেসকী দাইরেক্তর-ডা: চমবো গোনমৈ, ফেমিলি ৱেলফিয়ার সাভির্সেসকী দাইরেক্তর-ডা: এন. হেমন্তাকুমার সিংহ শরুক য়াগনি।

**ইম্ফাল ইষ্ট(এল)ঃ** প্রধান মন্ত্রি ফোরমেলাইজেসন ওফ মাইক্রো ফুদ প্রোসেসিং ইন্টরপ্রাইজেস স্কিমগী মখাদা মরু-মরাং য়েন্থোকপগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী দি.সি. কমপ্লেক্সতা লৈবা পঞ্চায়ট ভবনদা পাঙথোক্কনি।

থৌরমদুদা স্কিম অসিগী মায় পাক্লবা বিনিফিসরিশিংনা মখোয়না মতৌ করম া স্কিম অসি পায়খৎপগে হায়বদুগী মতাংদা ৱাফমশিং ফোংদোকপা,

সি.এল.এফশিংদা সিদ কেপিটেল য়েন্থোকপনা থৌরম অসিগী মপুং ওইবা শক্তম ওইগনি।

**নেপালঃ** নেপালদা হৌজিক ওইরিবা ইরাং অসিগী মখা তারকপদা ঙরাং নুমিদাং পুং ১০ দগী নেপাল লান্মীনা আইন অমসুং শান্তি রক্সা পায়শিনখ্রে।

লৈবাক শিনবা থুংবদা হাই এলার্ট লাউথোকখ্রে। মরুওইবা লম্বীশিং অমসুং মফমশিংদা লান্মী থমজিনদুনা মীয়াম অশোয় অঙাম য়াওদনবা হোৎনরি। ইরাং অসিদা চেন্নবা মীওইশিং নেপাল লান্মীনা ফাগৎপগী থবক হৌখ্রে। নেপালগী লান্মীগী মকো-অশোক রাজ সিগদেলনা লৈবাক অদুগী আইন অমসুং শান্তি রক্সা পায়শিল্লে হায়না লাউথোকখ্রে। মহাকা জাতিগী মীয়ামদা লৈবাক অদুগী আইন পায়শিল্লে হায়না লাউথোকখিবা অসি য়ামা অতাংবা থৌদোকনি হায়রি।

নেপালদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা নুংনাংবা ফোংদোকপগা লোয়ননা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি য়াওনা মালেমগী লুচিংবা কয়ানা ইংনা তপা শান্তি লৈনবা আপিল তৌরক্লি। প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা সভাপতি ওইদুনা কেবিনেট কমিতি ওন সেক্যুরিতিগী মীফম অমা ঙরাং ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্তুনা নেপালদা ওইরক্লিবা ফিভমগী মতাংদা কুপা খন্নখ্রে।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-ইরাং অদুদা তাংলবা মীওইবগী পুন্সি কয়া মাঙখিবা অসি থম্মোয় শোকা নুংঙাইতে। লমদম অদুদা শান্তি হনজিল্লকবা মীয়ামদা আপিল তৌরি।

মরক অসিদা, কাঠমন্দুদা লৈবা ইয়ারপোর্ট থিংজিনখিবদগী ইন্দিয়ান ইয়ার লাইন্সনা কাঠমন্দু পাইগদবা ফ্লাইটশিং কেন্সেল তৌখ্রে। ইয়ার ইন্দিয়া অমসুং ইন্দিগোসু মখোয় মখোয়গী ফ্লাইটশিং কেন্সেল তৌখ্রে।

**জিএসটিঃ** হন্দক্তা নৌনা শেমদোকখিবা গুদস এন্দ সার্ভির্সেস টেক্স (জি.এস.টি) কেন্দ্রগী ইলেক্ত্রোনিক্স অমসুং ইনর্ফোমেসন টেকোলোজি

মন্ত্রালয়গী মখাদা লৈবা কঞ্জুমর হলেক্ত্রোনিক্স অমসুং আই.সি.টি. হার্টৱয়ারগী সেক্তরশিং চাউথোকহনবদা হেন্না মতেং ওইরগনি।

টেক্স হন্থহনবা অসিনা মসিগী পোৎথোকশিং মীয়ামনা লৈবদা খুদোংচাহনবগা লোয়ননা লমদম অসিদা আই.টিগী পোৎলমশিং পুথোকপদা হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহল্লগনি। মসিদা নত্তনা এম.এস.এম.ই. অমসুং স্তার্টঅপপু শৌগৎপগা লোয়ননা দিজিটেল ইন্দিয়া অমসুং অত্মা নিভর ভারত ওইহন্নবা পান দমদা মাংলোমদা চংশিনবা ঙম্লগনি।

কেন্দ্রগী ইলেক্ত্রোনিক্স অমসুং আই.টি. মন্ত্রালয়না হায়-ইয়ার কন্দিসন, দিস ৱাসর, অচৌবা টিলিভিজনশিংদা লৌরম্বা জি.এস.টিগী চাং চাদা ২৮ দগী ১৮ দা হন্থরকপা অসিনা মীয়ামনা পোৎলমশিং অসি লৈবা হেনগৎহল্লগনি।

**এসিয়াঃ** ১৭ শুবা এসিয়া কপ ক্রিকেট ঙরাংদগী য়ুনাইটেদ অরাব ইমরেটসকী অবুদাবিদা হৌখ্রে।

থা অসিগী ২৮ ফাওবা চথুগদবা কপ অসিগী মেটচ অমদা ঙসি য়ুম্বু য়ুনাইটেদ অরাব ইমরেটসকা ভারতকা শান্নগনি। মেটচ অসি নুমিদাং পুং ৮ দা শান্নগনি। পাকিস্তানগনা থা অসিগী ১৪ দা শান্নগনি।

ঙরাং অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা মেটচ অমদা অফগানিস্তাননা হোং-কোংবু রন-৯৪ দা থোইখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

পি.এম. মোদি মনিপুর খোঙচৎকী মাংওইননা সেক্যুরিতি হেন্না কনশিল্লকপা, গভনর-অজয় কুমার ভালাগা কুকি এম.এল.এশিংগা উন্নখিবা অমসুং কুকি মিলিটেন্টশিংনা লম্বী চৎপদা চেক তৌবগা মরী লৈননা নাগাশিংনা য়ানিংদবা ফোংদোকপগী পাউ ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং

ওইরি।

গভনর-এ.কে. ভালানা চুরাচান্দপুরদা চৎতুনা কুকি এম.এল.এশিং উন্নখ্রে। ৱারী শান্নরবা মতুং মোদিদা উৎনবা থম্বা দমি কোফিন লৌথোকহনখ্রে হায়না সনা লৈবাক্কী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি হুইয়েন লানপাউ, পোকফম, নহারোলগী থৌদাং, মোরনিং বেল পাউচেশিংদসু মরুওইবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

গভরমন্টে শেম্বগীদি নো কমেন্ট, প্রাইম মিনিস্তর লাকপদি শোইররোই হায়না টি.ঐচ. বিশ্বজিৎনা ফোংদোকখিবা ৱাফম পোকফমদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

নরেন্দ্র মোদিগী মনিপুর খোঙচৎতা প্রসিদেন্ট রুল লাউথোক্লবা য়ানা লৈরে, অনৌবা লৈঙাক শেমহন্দবা তারগদি বি.জে.পি. এম.এল.এশিং পার্টি থাদোক্কদৌরি হায়না নহারোলগী থৌদাংদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নাগা ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন অমসুং এন.এস.সি.এননা কুকি মিলিটেন্টশিংনা বস পেসেঞ্জরশিংদা চেক চখিবা থৌওংবু য়ানিংদবা ফোংদোকপগী পাউ তমেংলোংদা ফোংবা পাউচে-গানফিয়ু মেলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। মসিগা মান্নবা পাউ-কুকি জো কাউন্সিলনা হায়রবসু কদাইদগী ফ্রি মুভমেন্টনো কুকি টেরোরিষ্টশিংনা বস অমা চেক তৌরকপদগী ৱাথোক ওইরো হায়না হুইয়েন লানপাউদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

পি.এম. লাকপগী অকনবা থবকশিং লৌখৎলি। লৈঙাক্কী থৌওংদা পেন্নদবা ফোংদোকবসু য়াওরি হায়না সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

য়ু.এন.সিনা পোৎ-চৈ পুথোক পুশিন তৌবদা থল্লিবা অথিংবা চখরি, হৌজিক ফাওবদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোকপগী পাউ লৈত্রি হায়না সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদসু অহানবা হেদলাইন ওইনা

ফোংলি।

সি.পি. রাধাকৃষ্ণন লৈবাক অসিগী ১৫ শুবা ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরগনি হায়না মনিপুর মেলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নেপালগী প্রাইম মিনিস্তর ফম থাদোকখ্রে হায়না মোরনিং বেলগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-নেপাল সরকারগী লোয়শঙশিং অমসুং লুচিংবশিংগী ময়ুম মৈ থাদোকখিবগী পাউ মরুওইবা পাউ ওহনা ফোংলি।